# আই লীগকী পুৰারীদা অহানবা ওইনা ইম্ফাল দারবি শান্নখ্রে, ট্রাউনা নেরোকাবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ আই লীগকী পুৰারী শেমদুনা অহানবা ওইনা ইম্ফাল দারবি শান্নখিবদা ট্রাউ এফ সিনা নেরোকা এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পুৰারী শেমখিবা নুমিৎ অসিদা ট্রাউ এফ সিগীসু অহানবা ওইনা সিজন অসিগী মায় পাকপগী মহাওসু ফঙখ্রে।

মীওই ২৩৬৮২ না মীফম হোংদনা য়েংনখিবা ইম্ফাল দারবি অসিদা ভিজিটর ওইরিবা নেরোকাগী বৌবাকরা দিয়ারানা মিনিট ৯ দা চনখিবা গোলনা মাঙজিল থাখ্রবসু য়ূম্বু ট্রাউগী নাওচানা মিনিট ৪১ অমসুং কৃষ্ণনন্দনা মিনিট ৬৪ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা য়ূম্বুনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা মায় পাকবগী লম্বী ওইখি।

ইং ২০১৮–১৯ গী আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী চেম্পিয়ন ওইদুনা অহানবা ওইনা সিজন অসিগী আই লীগতা খোঙদরিবা ট্রাউ এফ সিগী কোচ দিমিত্রিস দিমিত্রিঔনা মমাঙগী মেটচ পঞ্জাব এফ সিগা শান্নখিবা ষ্টার্টিং ১১ অদুদগী কোফি, প্রেমজিৎ অমদি সন্দিপ লৌথোক্তুনা জিরাদ ৱিল্লিয়মস, নাওচা অমদি কৃষ্ণনন্দনা মহুৎ শীনখি। ভিজিটর নেরোকা এফ সিগী কোচ রাই খানগী টিমদসু ইন্দিয়ান এরোসকা শান্নখিবা ষ্টার্টিং ১১ অদুদগী খাঙম হোরাম, গাতি কৌমি অমদি রোমতাংগী মহুৎতা জোদিংলিয়ানা, জিতেশ্বর অমদি জিকো সেলকিনা মহুৎ শীনখি।

মেটচ অসি হৌরকপগী অঙনবা মিনিটশিংদা ভিজিটর নেরোকানা য়ূম্বু ট্রাউগী মায়কৈদা খোঙজেল য়াংনা শান্নবা হৌরক্তুনা য়ূম্বুবু মীপায়বা পোকহনখি। মেটচকী মিনিট ৯ দা জোদিংলিয়ানানা সেন্টরদগী বোক্স তম্না পীরকপা অৱাংবা বোলদা ভিজিটরগী মাল্লি প্লেয়র বৌবাকার দিয়ারনা মহাক্কী থবাক শীজিন্নদুনা নীংথিনা বোল অদু কন্ট্রোল তৌরগা নেটকী অহাংবা মনুংদা কাওশিনদুনা পুৰারী ওইরবা ইম্ফাল দারবিগী অহানবা গোল চনখিবা মতম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা নেরোকাগী ববোকশিংগী হরাওবগী খোঞ্জেলনা নিনখি।

য়ূম্বু ট্রাউনা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিটশিংদা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙমখিদবনা চাউনা মখোয়গী পোজিসনদা অৱাৎপা লৈখ্রবসু নেরোকানা গোল অসি মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদগী ট্রাউনা নীংথিনা শান্নরক্তুনা নেরোকাবু চপ চানা শীংনরক্তুনা শান্নবা হৌরকখি।

ট্রাউনা মিনিট ১৭ চৎপদা ফঙখিবা মেটচকী অহানবগী খুদোংচাবদা ফালগুনিনা কৃষ্ণনন্দনা চেল্লকপা মায়কৈ তম্না খায়খিবা থ্রুবোল অদু কৃষ্ণনন্দনা কাওশিনখিবদা ভিজিটরগী গোল কিপ্পর মারবিন ফিলিপসনা ঙাকথোকখি। ট্রাউনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক য়াওশিল্লক্তুনা মখোয়গী বোল পোজিসন নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নখিবনা নেরোকাগী দিফেন্দরশিংদা হেন্না লাংতক্লবা পোকহনখি।

ট্রাউগী দেনিচন্দ্রনা ওই থংবা ৱিংদগী বোক্স তম্না ক্রোসিং কয়া মশীং থিঙমদনা খায়রকখি অদুবু ট্রাউগী ওপেন্সিফ শান্নরোইশিংনা ক্রোসিংশিং অদু নীংথিনা শমজিনবা ঙমদনা লৈখি। মেটচকী মিনিট ৩২ চৎপদা য়ূম্বুগী কেপ্টেন প্রিন্সৱিল ইমেকা মশামক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরগা য়েৎ থংবা মখোঙ শীজিন্নরগা নেরোকাগী দিফেন্দর ৩ লান্থোক্লগা পুশিন্দুনা কাওশিনখিবা এটেম অদু গোল কিপ্পরদা চপ চানা তাখিবনা নীংবা কাইখি।

ট্রাউনা হনবা লৈতনা গোল হন্দোক্লবা চৎথরকখিবা এটেকশিং অদু নেরোকানা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখিদবনা মেটচকী মিনিট ৪১ দা ট্রাউগী কেপ্টেন প্রিন্সৱিল ইমেকানা ওই থংবা ৱিংদগী বোক্স তম্না খায়রকপদা ঙাংবম নাওচানা খোঞ্জেল য়াংনা চঙশিন্দুনা নেরোকাগী মার্কিংদগী নান্থোক্তুনা ভিজিটরগী গোল কিপ্পর মার্বিন ফিলিপসপু তুংওইনরমদুনা নেটকী অহাংবা মনুংদা চঙহন্দুনা গোল হন্দোকখিবা মতম অদুদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা নেরোকাগী মীয়াম্না অঙকপা অমগা লোয়নননা তুমিন–তুমিন লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ট্রাউনা অহানবা হাল্ফতা শান্নখিবা মতৌগুম অদুমক হোংবা লৈতনা শান্নদুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নিংবগী খৌরাংবা হেনগৎখি। অদুগা ভিজিটর নেরোকাগী মায়কৈদগীনা ট্রাউগী ওফেন্সিপ শান্নরোইশিং অদুবু ঙাকথোক্লবা হোৎনবনা মখোয়গী পাম্বৈ ওইনা শান্নখি।

লীগ অসিগী মেটচ ৫ শান্নখিবদা মায় পাকপগী মশক খঙদনা লাক্তুনা অচৌবা দাকফম অমা তারকখিবা ট্রাউনা মরু ওইনা অনীশুবা হাল্ফতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎতুনা শান্নখিবনা মিনিট ৬৪ দা মেটচ অসিগী হিরো ওফ দি মেটচ তাখিবা ৱাহেংবম অঙৌসনানা কাওরকপা কোনর কিক্তগী কৃষ্ণনন্দগী মকোক্লা নেটকী মনুংদা চঙহল্লগা য়ূম্বুনা গোল মাঙজিল থাখিবা মতম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা ট্রাউগী য়াল্লবা ববোকশিংগী হরাওবগী খোঞ্জেলনা নিনখি।

ভিজিটর নেরোকাগী মায়কৈদগী মখোয়গী মিদ ফিল্ডর শান্নরোইশিংনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীরক্তবগী অহোবা অদু দিফেন্দরশিংনা মেনশিন্দনা শান্নখ্রবসু য়ূম্বু ট্রাউগী ফালগুনি অমদি জিৱাদ ৱিল্লিয়মনা নেরোকাগী এটেক্টশিং অদু দিফেন্স জোন য়ৌহন্দনা লাকশিন্দুনা ঙাকথোকখি।

মেটচকী মিনিট লোইরমদাইদা ৮৩ ট্রাউগী পেত্রিক ওগুচি উচিনা কাওরকখিবা ফ্রি কিক অদু নেরোকাগী গোল কিপ্পর মার্বিন ফিলিপসনা মশা চোঙথোক্তুনা সেভ তৌখি।

গোল শোথরিবা নেরোকানা ট্রাউবু অকনবা মওংদা চাংয়েং তৌদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনখ্রবসু নাওচা অমদি কৃষ্ণনন্দনা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল অমমম চনখিবদগী ট্রাউনা অহানবা ইম্ফাল দারবি অসি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখি।

মেটচ অসিদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ১৭ য়ুমখাইবম জিতেশ্বর, জর্সি নম্বর ১৬ চিঙাখম রোসন অমদি ট্রাউগী জর্সি নম্বর ৩১ মিথুন সমন্তদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ট্রাউনা মেটচ অসি মায় পাকখিদুনা টেবলগী ৯ শুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখ্রে। অদুগা নেরোকানা টেবলগী ১০ শুবা মফমদা কুমথখ্রে। ট্রাউগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১২ তা অৱে মেটচ ওইনা ইন্দিয়ান এরোসকা শান্নগনি। অদুগা নেরোকাগীনা থা অসিগী ১৪ দা হোম মেটচ ওইনা রিয়েল কাস্মিরগা শান্নগনি।

লীগকী অতোপ্পা মেটচ অমদা রজিভ গান্ধি ষ্টেদিয়ম আইজোলদা আইজোল এফ সিগী হোম মেটচ ওইনা চুরচিল ব্রদরসগা শান্নখিবদা গোল ২–২ দা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। আইজোল এফ সি গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কনৌতেনা মিনিট ৪৪, জর্সি নম্বর ১১ ভানলালরুতফেলানা মিনিট ৮০ দা চনখি। চুরলি ব্রদরসকী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১২ প্রিমসনা মিনিট ৬৪ অমসুং জর্সি নম্বর ২৩ পুজরীনা মিনিট ৭৮ দা চনখি।

### I-League Point Table

| Team | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Churchill Brothers | 5 | 3 | 1 | 1 | 11 | 6 | 5 | 10 |
| Mohun Bagan | 5 | 3 | 1 | 1 | 10 | 5 | 5 | 10 |
| Punjab FC | 6 | 2 | 3 | 1 | 8 | 8 | 0 | 9 |
| East Bengal Club | 5 | 2 | 2 | 1 | 8 | 5 | 3 | 8 |
| Aizawl | 7 | 1 | 5 | 1 | 9 | 9 | 0 | 8 |
| Gokulam FC | 4 | 2 | 1 | 1 | 5 | 4 | 1 | 7 |
| Real Kashmir | 4 | 1 | 2 | 1 | 5 | 6 | -1 | 5 |
| Chennai City FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 6 | 8 | -2 | 5 |
| **TRAU** | **6** | **1** | **2** | **3** | **5** | **10** | **-5** | **5** |
| **Neroca FC** | **6** | **1** | **2** | **3** | **7** | **11** | **-4** | **5** |
| Indian Arrows | 5 | 1 | 1 | 3 | 4 | 6 | -2 | 4 |

# এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা নুপীগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা ১৫ শুবা ষ্টেট ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং জুনিয়রগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা অহুমশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ (য়ু–১৬) পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা জুনিয়ার বোইজগী মেটচশিংদা এক্স পোল ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে।

কাঙলূপ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা শান্নখিবা মেটচতা এক্স পোলো ক্লবনা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈগী পাঞ্জলশিং অদু অহুমশুবা চক্করদা ঙর্সি নম্বর ৩ টি দিনেশনা মিনিট ০.২৯ অদুগা মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ টি বিকাশনা মিনিট ১.৫৯ অমসুং জর্সি নম্বর ১ হেরোজিৎনা মিনিট ৬.৫৮ তা চনখি। মায়থিরবা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ এল রাজানা মিনিট ২.৩৪ দা চনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন অমদি কে এন্দ এম এম আর এস (বি) শীংজমৈনা শান্নখিবা মেটচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসননা কে এন এম এম আর এস (বি)বু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ শিতলজিৎনা মিনিট ০.২৩, জর্সি নম্বর ২ কিরনকুমারনা মিনিট ২, অনীশুবা চক্করদা কিরনকুমারনা মিনিট ৫.১১, অহুমশুবা চক্করদা কিরনকুমারনা মিনিট ১.১১, জর্সি নম্বর ৩ পামহৈবনা মিনিট ২.৩৯ দা অমসুং মরিশুবা চক্করদা পামহৈবনা মিনিট ০.১৭ দা চনখি।

মায়থিরবা কে এন্দ এম এম আর এস (এ)গী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ লমঙানবনা মিনিট ২.৪১ দা চনখি।

# ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওস্কারবু থোইখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ) না শীন্দুনা মমাঙ থা ২৬ তগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা মরিশুবা টি সুবোল নীংশিং টি–২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ বিগী ওস্কার পাওনা বাজার অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওস্কারবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না খনখিবদা ওস্কারগী বেট্টিংদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৩৪ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওভর ১৬.৪ দা ৱিকেট অমখক আউট ওইরগা রন ১৩৫ লৌদুনা মেটচ অসিগী ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখি।

ওস্কারগী বেট্টিংদা ৱিংহোরনা বোল ৩০ দা রন ৩৮, মোহেননা বোল ৩১ দা রন ৩২, গোগৌনা বোল ১৫ দা রন ১৬ অমসুং মিলননা বোল ১৮ দা রন ১৬ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোলিংদা প্রিয়োকুমারনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৪ অমদি কুমারজিৎনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা মনাওবীনা বোল ৫৩ দা রন ৭৬ অমসুং গোজেন্দ্রোনা বোল ৪৪ দা রন ৪৫ লৌখি। ওস্কার পাওনা বাজারগী বোলিংদা দেবকান্তনা ওভর ২ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী রন ৭৬ লৌখিবা মনাওবীনা তাখি।

হয়েং গ্রুপ এগী মোদেল ক্লব চীংঙা মখা অমদি এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংনা অয়ূক পুং ১১ তাবদগী শান্নগনি।

# কে ৱাই পি এ কোইরেঙ্গৈ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ পুংদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লব (পি ৱাই সি) পুংদোংবমনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৩ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা পিদোইনু ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা আর এফ এ তোপসিফাই অমদি কে ৱাই পি এ কোইরেঙ্গৈনা শান্নখিবা মেটচতা কে ৱাই পি এনা আর এফ এবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। মায় পাক্লবা কে ৱাই পি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু লনচেনবনা মিনিট ৩৮ তা চনখি। হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা পি ৱাই পি সি (এ) অমদি খুরাই এফ সিনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# ওভর ওল টিম রন্নর্স অপ তাহৌরে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী হৌদুনা দিল্লিগী থিয়াকরাজ ইন্দোর হোলদা চত্থরকপা ৬৫ শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস এন্দ থাঙ–তাদা মণিপুরনা গোল্ড ৭, সিলভর ১৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ২৭ তা পোইন্ট ৯২ ফঙদুনা ওভর ওল টিম রন্নর্স অপ তাহৌরে।

ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা য়ু–১৯ বোইজতা গোপাল রাইনা কে জি ৮০ মখাদা গোল্ড, টি ঐচ মঙাললৈবনা কে জি ৫৬ মখাদা, এল লেলিননা কে জি ৬৫ মখাদা, ৱাই দিপকনা কে জি ৭০ মখা অমসুং এম বিরবলনা কে জি ৭৫ মখাদা সিলভর মেডল অমমম লৌখি।

# নেরোকা অমদি ট্রাউনা শান্নগদবা সি সি মিটকী সেমি ফাইনেল য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৬২ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সি অমদি ট্রাউ এফ সিনা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা অদু করিগুম্বা খুদোংচাদবা অমদগী য়ৈথোক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এল ৱাই এস এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ চাজিং ইনাৎ কনবা লূপ (চিকল) লিল্লোং চাজিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চাজিং কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ৩১ শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এল ৱাই এস এস য়ুনা সি ৱাই দি ও এলবু ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এল ৱাই এস এস য়ুগী গোল অনী অদু অজিৎ ৱাহেংবমনা চনখি।

অনীশুবা মেচটতা শান্নখিবনা এল সি দি সি লিল্লোং চাজিং মমাঙ লৈকাইনা য়ু সি লংথবালবু গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

# ষ্টেটকী কিক বোক্সিং টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ মুম্বাইগী সনবিচ রিসোর্ট গোরাই বিচ বয়ান্দরদা থা অসিগী ২৭ তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২ শুবা বিচ কোম্বেট গেমস ২০২০ নেস্নেল কিক বোক্সিং ফেদেরেসন ওফ নন–গভর্ণমেন্ট (এন কে এফ এন্দ এন জি) ৱাকোদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবা কিক বোক্সিং এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোই ১৬ অমদি ওফিসিয়েল ২ খনখ্রে।

খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি আর কে মারতিন, কে ঐচ লোরেন্স মৈতৈ, জি নন্দশ্যাম, এম দি সহিদ অসিদ, সরুংবম প্যুনাকান্ত, আর কে রোনিস সিংহ, সাপম পারমেশ, জি দ্বিজমনি শর্ম্মা, খুরাকপম দোলিলেক্স দেবী, সায়িদ রুকসনা, সরুংবম জুলিয়া, কে প্রিন্স শর্ম্মা, আর কে নেলসন, এম দি অলাম অজাৎ, সাপম জয়রাজ অমদি কিমিও সিনামনি। ষ্টেটকী টিম অসি এস উমাকান্তনা মেনেজর অদুগা কে পদামেশ্বর শর্ম্মানা কোচ ওইনা লুচিংগনি।

খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অসি এজ প্রুভ সার্টিফিকেট অমদি পাস পোর্ট ফোটো ৪ গা লোয়নননা মোইরাংথোম লৈপুংদা লৈবা কিক বোক্সিং এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি। লোয়নননা নন–রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্পসু থা অসিগী ৮ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# প্রেমজিৎ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (এম এ টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা এসোসিয়েসন ওফ টেন্নিস লবর ( এ টি এল)না শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী সি ৱাই এল সিগী চিঙামথক্কী টেন্নিস কোটতা চত্থরিবা ৯ শুবা সি ৱাই এল সি ষ্টেট টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০ ঙসি শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসতা প্রেমজিৎনা রিবাস্করবু ৯–৮ (৭–৩) দা, বিক্কিনা অজাদ খানবু ৯–০ দা, বুসননা পদামেশ্বরবু ৯–০ দা অমসুং ইন্দ্রকুমারনা পরাসপু ৯–১ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ৩৫ মথক দবলসকী শান্নখিবদা প্রেমজিৎ অমদি জিতেনগী জুরানা প্রদিপ অমদি বালকৃষ্ণগী জুরাবু ৯–৩ দা, রুপম অমদি বোনাগী জুরানা এল রোমেশ অমদি রোমিওগী জুরাবু ৯–২ দা, সুরজ অমদি ইবোহলগী জুরানা প্রিতম অমদি জগৎকী জুরাবু ৯–৩ দা, মনিকান্ত অমদি প্রকাশকী জুরানা ব্রেলা অমদি সনাতোম্বগী জুরাবু ৯–৪ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

চহী ৪৫ মথক দবলসকী শান্নখিবদা নিংতম্বা অমদি জেন্তগী জুরানা কেশ্বরজিৎ অমদি কুমারজিৎকী জুরাবু ৯–৪ দা, রোমিও অমদি প্রদিপকী জুরানা রঞ্জিৎ অমদি তোম্বগী জুরাবু ৯–৬ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

# সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ সাইনিং ষ্টার দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন বেঙ্গুনা শীন্দুনা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৮ তাবদগী এল সি এল অমদি এম আই কে ঐচ ৱাই এনা অহানবা গ্রাউন্দদা অমসুং বি এস এ অমদি এম এস দব্লিউ সিনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা এল সি এলনা লিৱাবু, এম আই কে ঐচ ৱাই এনা এ এম ৱাই সিবু, বি এস এনা ৱাই দি এবু অমসুং এম এই দব্লিউ সিনা ৱাই এস সি কেবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

# এফ এফ সি সি অঙথা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ নুঙৱং ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা চত্থরিবা অনীশুবা লাইরেম্বী কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ এফ সি সিনা আই ৱাই সিবু ৪–০ দা, বোংবাল এফ সিনা য়ু এন এম নুঙৱংবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এন ৱাই সি অমদি এন এফ সি (বি) দ্রো চৎখ্রে।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com